# গৌরি লঙ্কেশকী মীহাৎ : এস আই টিনা চিংনবা মীওইশিংগী অয়েকপা শক্তম চাইথোরকখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ১৪(এজেন্সী):
মমাঙ থাদা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট গৌরি লঙ্কেশপু বেঙ্গলুরুদা লৈবা ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিংগী অয়েকপা শক্তম কর্নাটাকা পুলিসকী এস আই টিনা চাইথোরকখ্রে।

এস আই টিগী মকোক বি কে সিংহনা হায়খি, থৌদোক অদুবু উহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপা ৰাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা আর্টিষ্ট অনীনা চেন্নবা মীওইশিংগী শক্তম য়েকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী লীখুন পুথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি।

পাউমীশিংগা উনবদা বি কে সিংহনা হায়খি, কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই ৩০০ লোম ৰাহং-পাউহং চথুখি। মীওইশিং অদুনা ফোঙদোরকপা ৰাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা চেন্নবা মীওইশিংগী শক্তম য়েকখিবনি।

থৌদোক অসিদা সনাতন সন্সথা কৌবা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী লূপ অমা চেন্নব্রা হায়না হংখিবা ৰাহং অমগী পাউখুমদা এস আই টিগী মকোক্না হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি গৌরি লঙ্কেশ হাৎখিবদা চেন্নরিবা মীওইশিং করম্বা কাঙলূপকীনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

হন্দক্তা কর্নাটাকাগী হোম মিনিষ্টর রামালিঙ্গ রেদিনা গৌরি লঙ্কেশ হাৎখিবগী মতাংদা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা শেমখিবা এস আই টিনা চেন্নরিবা মীওইশিং মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি মীয়ামদা অকুপ্পা ৰারোল ফোঙদোকপা মতম চাদ্রি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফারগা লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা মীওই কয়ানা দিল্লি অমসুং বেঙ্গলুরুদা খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রবনি।

জর্নেলিষ্ট-এক্টিভিষ্ট গৌরি লঙ্কেশ হাৎখিবগী মতাংদা কর্নাটাকা গভর্ণমেন্টনা এস আই টি অমা শেমদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথুহনখিবনি।

মীওই ২১ না শাবা এস আই টি অদু ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস বি কে সিংহনা লুচিংই। দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (ৱেষ্ট) এম এন অনুচেথনা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর ওইবা টিম অদুনা অথুবা মতমদা মরাল লৈবা মীওইশিং পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

সেপ্টেম্বর ৫দা চয়োলগী চেফোঙ গৌরি লঙ্কেশ পত্রিকেগী এদিটর গৌলি লঙ্কেশপু শকখঙদবা মীওইশিংনা ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী মায়োক্তা সোসল এক্টিভিষ্ট, জর্নেলিষ্ট, পিপলস ফোরম অমদি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল ৱার্করশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়না তকশিন্দুনা লাকখিবনি।



# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মোকামাদা নমামি গঙ্গেগী উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

পত্না, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
বিহারগী খোঙচৎতা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পত্না য়ুনিভর্সিটিগী সেন্তিনরি সেলেব্রেসন্দা ৰা ঙাঙখিবগা লোয়ননা মোকামাদা নমামি গঙ্গে প্রোগ্রামগী উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা ষ্টেট অসিবু চাউখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং শীংথানিংঙাইনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদ অমদি অস্বিনি চুবে য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল লীদরশিং লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

নমামি গঙ্গে প্রোগ্রামগী মখাদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মোকামাদা উরেপ-উয়ুং তমখিবা সিৱরেজ প্রোজেক্টশিং অদুদি বিয়োরগী সিখ সিৱরেজ ট্রিটমেন্ট প্লান্ট, সিৱর নেটৱার্ককা লোয়নবা সিৱরেজ সিষ্টেম, কর্মালিচককী সিৱরেজ ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অমসুং সাইদপুরগী সিৱর নেটৱার্কনি।

নিতিশ কুমারনা এন দি এদা অমুক হল্লকখ্রবা মতুংদা লূচিংবা অসিনা অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা উরেপ-উয়ুং তম্বা অমদি অতৈ থৌরম কয়াদা পুন্না শরুক য়ামিন্নখি।

হৌখিবা জুলাই থাদনা নিতিশ কুমারনা এন দি এদা হল্লকখ্রবা মতুংদা লূচিংবা অনী দেজদা পুন্না ফমিন্নবা হন্দক্না অহানবনি। পত্না এয়র পোর্টতা থুংলখিবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টরবু নিতিশ কুমারনা তরাম্না ওকখি।

ওক্টোবর ০৮দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী পোক্লফম লমদম বদনগরদা চত্তুনা মেদিকেল কোলেজ অমা শঙ্গাখিবগা লোয়ননা মহাক্না তম্লম্বা স্কুলগী ফীভম য়েংশিনবা লৈখ্রবনি।

এনিমেল হজবেন্দরিগী লমদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্বদগী গুজরাটতা লৌমীশিংনা কান্নবা কয়ামরুম ফংবা ঙম্লে। অথুবা মতমদা পাসু অরোগ্যা মেলা পাঙথোক্লবা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথদা খঙহনবা লৈখ্রে। থৌরাং অদুনা লৌমীশিংদা অমুক্কা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

নৌনা লমথাখিবা অন্তিওদয়া এক্সপ্রেস লমথাবগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, অনৌবা ট্রেন অসিনা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারগী মীওইশিং অরাইবা মওংদা ময়ুম ময়ুমদা চত্তুনা ছাথ পুজা য়াওবদা খুদোং চাহল্লগনি। রেল মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা অন্তিওদয়া এক্সপ্রেসকী মতেংনা য়ু পি অমদি বিহারগী মীওইশিং ময়ুমদগী লাপ্না থবক শুবা চৎপদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক অনৌবা ট্রেন সার্বিস অমা লৈহল্লকপগীদমক রেলৱে মিনিষ্ট্রিবু মীয়াম্না থাগৎফম থোকই।



# ব্লু হ্বেলগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেমশিং থিংনবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা খঙহনখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
ব্লু হ্বেলগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেমশিং হন্দক মরক মরাল লৈতবা মীচম কয়া শিহনখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা এক্সপার্টশিংগী পেনেল অমা শেমদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা গেমশিং থিংজিন্নবা সেন্টরদা খঙহনখ্রে।

চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা সেন্টরদা অথিংবা থম্নবা খঙহনখ্রবা ওনলাইন গেমশিং অদুদি-চোকিং গেম, সোল্ট এন্দ আইস চেলেঞ্জ, ফায়র চেলেঞ্জ, কট্টিং চেলেঞ্জ, আইবোল চেলেঞ্জ অমসুং হ্যুমেন ইমব্রোইদরী গেমনি। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা ওক্টোবর ২৭ ফাওবগী মমাঙদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়নসু এপেক্স কোর্টনা খঙহনখি।

জষ্টিস এ এম খনৱিলকর অমদি জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায় কোর্ট খূদিংমক্তা অসিগুম্বা মখলগী পিটিসন অমত্তা লৌদনবা খঙহনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ব্লু হ্বেল ওনলাইন গেম শান্নরুবদগী উত্তর প্রদেশতা মশাগী চহী ১৩ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমসু মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রবনি। ক্লাস সিক্সতা তম্লিবা নুপামচা অদু মোদাহ খুঙ্গংদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি।

পুলিসনা ক্লাস সিক্স তম্লিবা নুপামচা অদুনা অপোকপা মপাগী ফোন্দা ব্লু হ্বেল ওনলাইন গেম শান্নরম্বগী খুদম থেংনখি। গেম অসিগী মতুং ইন্না চেলেঞ্জ ৫০ মায় পাক্লবা মতুংদা শান্নরিবা মীওই অদু মশা মথন্তা শিজগদবনি হায়রি।

ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না পার্থ সিংহ হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ব্লু হ্বেল গেম শান্নদুনা লাকখি হায়রি। মমা-মপানা পার্থদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা গেম অদু শান্নদবা অকনবা ৰাফম ফোঙদোক্লুবদগী নুপামচা অদুনা খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা অপোকপা মপাগী মোবাইল ফোন্দা হায়রিবা গেম অসি শান্নরম্বা থেংনখি। মচানুপানা কা মনুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা লৈখিবদা অপোকপনা কয়ারক হন্না থোঙ হাংনবা খঙহনখি। অদুবু থোঙ হাংদোকউ য়াদবদগী থোঙ কাউখায়রগা চঙশিনবদা নুপামচা অদু থৌরী য়াল্লগা শিরম্বা থেংনখিবনি।

# দেরাগী কুর্বানি দল লৈব্রা খঙদোক্লবা য়াথং পীখ্রে

চান্দিগর, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
দেরা সচা সৌদাগী কুর্বানি দল কৌবা গেং অমা লৈব্রা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা হরিয়ানা পুলিসতা য়াথং পীখ্রে।

হনিপ্রীটকী হান্নগী মপুরোইবা বিস্বাস গুপ্তা অমদি মহাক্কী অপোকপা মহেন্দ্র পাল গুপ্তনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা দিসমিস তৌখিবগা লোয়ননা কোর্টনা স্পেসল ইনভেষ্টি-গেসন টিম (এস আই টি)দা কুর্বানি দলগী মরমদা থিগৎনবা য়াথং পীখিবনি।

চৈরকসিদা, হনিপ্রীট ইন্সানগী আই ফোন্দা য়াওরম্বা ফাইল কয়ামরুম পঞ্চকুলা পুলিসনা থিগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

সাইবর লেব এগজামিনেসনগী মতুং ইন্না হনিপ্রীটকী আই ফোন্দা মরুওইবা দেটা কয়ামরুম মুখৎলম্বগী খুদম ফংখি। হনিপ্রীটকী ফিঙ্গর প্রিন্ট নত্তনা লোক হাংদোকপা য়াদবা আই ফোন অদুদা গুরমীট রাম রহিম অমসুং দেরা সচা সৌদাগী অরোনবা থৌরাং কয়ামরুম য়াওরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

মমাঙদা হনিপ্রীটনা তোঙান তোঙানবা সিম কার্দ ১৭ শীজিন্নরম্বগী খুদম এস আই টিনা ফংবা লৈখ্রবনি। নুমিৎ ৩৮ লোত্তুনা লৈরিঙৈদা মহাক্না তোঙান তোঙানবা সিম শীজিন্নদুনা দেরাগী মরুওইবা লূচিংবশিংগা পাউ ফাওনখি হায়রি।

গুরমীট রাম রহিমনা য়োকচবী হনিপ্রীট ইন্সান অমদি সুখদিব কোরবু ওক্টোবর ২৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা পঞ্চকুলা কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবনি।

নুমিৎ ৯নিগী পুলিস রিমান্দ মতম লোইরদুনা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোননা হনিপ্রীট ইন্সান অমদি সুখদিব কোরবু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট রোহিট ৱাতসকী কোর্টতা পুথোরকখি।

মখোয় অনীমক অম্বলা সেন্ট্রেল জেলদা থম্বগা লোয়ননা ওক্টোবর ২৩দা ভীদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা কোর্টতা অমুক পুথোক্লবা খঙহনখি।

হরিয়ানা পুলিসকী এস আই টিনা ৱাহং-পাউহং চথবদা হনিপ্রীটনা পঞ্চকুলাদা ঈরাং থোকহন্দুনা মীওই ৪১ শিহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ২৫০ হেন্না অশোক-অপন নংহনখি হায়না মশাগী মরাল য়াজখ্রবনি।

অশেংবা মমিং প্রিয়াঙ্কা তনেজা কৌবী হনিপ্রীটপু ওক্টোবর ৩দা হরিয়ানা পুলিসনা ফারগা ওক্টোবর ১০ ফাওবা কষ্টদিদা থম্লকখিবনি।



# গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ১৫০ হেন্না ফংবা ঙম্লগনি : যোগি অদিত্যনাথ

নবশারি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
লাক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ১৫০ হেন্না ফংবা ঙম্লগনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকখ্রে।

এ এন আইগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা পায়খৎলম্বা চাউখৎ থৌরাং পুম্নমক মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা মরম্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা অরাইবা মওংদা সিট ১৫০ হেন্না ফংবা ঙমগনি।

গুজরাটকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী ২০গী মনুংদা ষ্টেট অসিগী পর কেপিটা ইনকম শরুক ১০ হেনগৎলকপগা লোয়ননা লুপা ১৪,০০০ ওইরম্বদগী লুপা ১,৪১,০০০ য়ৌরকখি। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী খোঙজেল য়াঙনা চাউখৎ থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা মীওই কয়ামরুম থবক পীখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা গুজরাটনা মাঙজিন থারি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা সিট মশীং য়াম্না ফংবা ঙম্লগনি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা যোগি অদিত্যনাথানা হায়খি, রাম টেম্পলগী ৱাফম অসি বি জে পিগী ওইনদি ইলেক্সনগী ইস্যু নত্তে। তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংনি হায়না লৌই। লৈবাক মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না রাম টেম্পল শাবা হায়বসি শোয়ফদ্রবা থৌদাং অমনি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অযোধ্যাগী সরয়ু তুরেল মনাক্তা রামগী অচৌবা মিতম অমা শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। য়েৎনরিবা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদ মনাক নক্লা শাগদৌরিবা রামগী মিতম মিটর ১০০ ৱাংগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা উত্তর প্রদেশতা রিলিজিয়স টুরিজম চাউখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা অযোধ্যাদা খিন্নবা থৌরাং লৌখৎ-লকপনি। সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্য দিষ্ট্রিক্টতা রামগী টেম্পল মনাক্তা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।



# পুলৱামাদা টেররিষ্ট অনী, মীচম অমা শিখ্রে

জম্মু, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লাস্কর-ঈ-টোইবগী মিলিটেন্ট অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুংদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম তানখায়বদা মীচম অমা শিখ্রে।

পুলিসনদি গুলজার অহমদ মির কৌবা মীওই অদু মিলিটেন্ট অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মরক্তা নোংমৈ কাপ্লবদা হাইদোরকপা মরুনা পানবদগী শিখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মফম অদুগী মীয়াম্না হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী কা হেনবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্লদা মীওই অদু শিখিবনি।

ঙসি অয়ুক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ৱাশিম শাহ কৌবা লাস্করগী মরুওইবা লূচিংবা অমা য়াওনা মিলিটেন্ট অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা মশীং য়াম্লবা মীয়াম লম্বীদা থোরক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়োক্তা নুঙ লংশিন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লকখি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম তানখায়নবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা গুলজার অহমদ মির লৈখিদবনি হায়রি।

হৌখিবা ওগষ্ট ০৯দসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অহুম শিবা লৈখ্রে।

পুলৱামাগী ট্রাল এরিয়া মনুং চন্না লৈবা গুলাপ বাগতা মিলিটেন্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থিবা হৌম্বগী থবক চথুখিবনি।

সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা হান্না লোৎতুনা লৈরম্বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, মসিল সেক্টরদা হন্দক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মখুত্তা লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিংদগী পাকিস্তান অমসুং চাইনানা শাবা হীদাক-লাংথক অমদি খুৎলাই কয়ামরুম ফংখিবনি।

টেররিষ্ট মঙা ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়ারোমদা চঙশিল্লকখি। আর্মিনা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা টেররিষ্টশিং অদু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা চাইনা অমসুং পাকিস্তাননা শাবা পোৎলম কয়ামরুম ফংবা ঙমখিবনি।

# পাকিস্তানি অনীদা মেদিকেল ভিজা পীরগনি : সুস্মা স্বরাজ

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌনগীদমক পাকিস্তানি অনীদা মেদিকেল ভিজা পীরগনি হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি, লিভর ট্রান্সপ্লান্ট সর্জরি তৌনবগীদমক নাসিম অখতার কৌবী পাকিস্তানি নুপী অমদা ভিজা পীখিনবা ইস্লামবাদকী ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নারদা খঙহনখ্রে। অখতারগী মচানুপানা মমা লায়েংবদা মতেং পাংবীয়ু হায়জরকখ্রবা মতুংদা স্বরাজনা মেদিকেল ভিজা পীনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

সবির অহমদ শাহ কৌবা অতোপ্পা পাকিস্তান মচা অমসু লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক মেদিকেল ভিজা পীরগনি হায়রি।

অহমদ শাহগী মচানুপা অলি অসাদুল্লানা ত্বিটরগী খুথাংদা মতেং নীরকখ্রবা মতুংদা স্বরাজনা মীওই অসিদসু মেদিকেল ভিজা পীনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি হায়রি।

মমাঙদসু সুস্মা স্বরাজনা থম্মোয়গী লায়না নারবা পাকিস্তানগী পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অমা লায়েংনবগীদমক মেদিকেল ভিজা পীরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লাহোরগী ইমুং অমনা ইন্দিয়াদা লায়েংনবগীদমক মতেং পাংবীয়ু হায়জরকখ্রবা মতুংদা সুস্মা স্বরাজনা পাকিস্তানি অদুদা মেদিকেল ভিজা পীবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF COMMERCE & INDUSTRIES

NOTICE INVITING TENDER FOR VEHICLE
Imphal, the 13th October 2017.

No.Y-1/TC&I/2017/IITF(37) : Sealed rate quotations are invited from the interested Transporters/Transport Agencies for arranging one bus (luxury coach) and one truck (Full body) in road worth condition with National Permit from 6th November to 6th December 2017 (31days). The transport vehicles will be for the conveyance of exhibitors and transportation of exhibit items from Imphal to New Delhi & back for participation in India International Trade Fair, 2017 from 14th to 27th November 2017 at Pragati Maidan, New Delhi. Hiring of the vehicle will include city trips for exhibitors and transit of exhibit items in the city when required.

2. Sealed Rates should be quoted both in figure and words and the applicable GST (CGST & SGST), levies, duties and other charges shall be indicated without fail.
3. The Sealed Rate Quotation should be dropped in the SRQ box kept in the office of the Director in this Directorate on or before **1.00 P.M of 25th October 2017** and the bid will be opened at 3.00 P.M on the same day. The quotationist may chose to send their representatives for opening of the bids.
4. The sealed envelope containing the rate quotation shall be super-scribed as **"RATE QUOTATION FOR BUS/TRUCK"**.
5. The undersigned reserves the right to accept or reject the quotation without assigning any reason thereof.
6. The quotationist should be a registered transporter possessing valid road permit and GST registration. Self attested copies of Aadhar Card, GST registration, valid road permit should be appended along with the rate quotation.

Sd/- M. Luikham
Director of Trade, Commerce & Industries, Manipur.

HL-P/4621/15

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

* HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE & TECHNOLOGY, CHINA

Note : ONLY FOR INDIAN PASSPORT HOLDER

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE,


PLZ Contact: - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School, Old Campus Imphal.

NOTE : : Scholarship Available for For Master and PhD in China.

Contact No. : 8257053310, 8794249895, 9615706900,9856363129

HL-B/4625/15to30 Oct.

## ঐ য়াম্না হরাউরে


L. Sudhakar

ঐগী মীং রোহিৎ, লৈফম কংলাতোংবী শান্তিপুরদা লৈবা ঐগী য়েৎথংবা কিডনীদা এম এম ৪.৭ চাউবা অমগা, ওইথংবা ঈশিং মরীদা এম এম ১৮.১ চাউবা অমগা পুন্না নুঙ অনী লৈবদগী শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হীদাক হপ্তা অহুম চারবা মতুংদা অল্ট্রা সাউন্দ লৌদুনা অমুক য়েংলুবদা নুঙ অনীমক অমত্তা লৈরমদ্রে। মসিগীদমক্তা ইয়াম্বা সুধাকরগী মফমদা য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Rohit Khatiwoda
Kanglatongbi

HL-P/2890/15

## লৈবাক মীয়ামদা শেংদোকচবা

হৌখিবা তাং ১২/১০/২০১৭ ইংগী নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা মখাদা সহি তৌজরিবা ৱাইরিদা লৈবা ঐখোয় ৮ (নিপান) না ৱাইরি কম্যুনিটি হোল মনাক্তা শ্রী কোন্থৌজম কলাচান্দ সিংহ, পৌরাবীদা লৈববু উশিৎ-থওইদবা ৱাহৈ-ৱাতা অমদি মোরেল শোকপা ৱাহৈ শিজিন্নদুনা ফেসবুক্তা থাগৎলুবগীদমক ঐখোয় ৮ না লৈবাক মীয়ামদা অসিগুম্বা থবক অসি অমুক হন্না তৌজররোই হায়না শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবশিং :

1. **Keisham Maipak Singh**
S/o K. Ningthempishak Singh
2. **Athokpam Aboy Singh**
S/o A. Mobi Singh
3. **Yambem Inao Singh**
S/o Y. Naba Singh
4. **Konjengbam Abungton Singh**
**S/o K. Manglemjao Singh**
5. **Konsam Ibungobi Singh**
S/o K. Tomba Singh
6. **Sagolsem Nanao @ Chou Singh**
S/o S. Itomcha Singh
7. **Yambem Bobo Singh**
S/o Y. Debenbabu Singh
8. **Konsam Samananda Singh**
**S/o K. Khamba of all Wairi.**

HL-P/3002/15